# আইদেল তেরানা নুপীগী অমসুং ঐচ দব্লিউ সি লংথবালনা নুপাগী প্রসিদেন্ট গোল্ড কপ হোক্কি টুর্নামেন্টগী ব্রিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা নুপাগী টিম ৭না গ্রুপ-২ অমসুং নুপীগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চত্থরকপা অহুমশুবা প্রসিদেন্ট গোল্ড কপ অন্দর-১৪ মেন এন্দ অন্দর -১৭ বুমেন হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অন্দর-১৭ নুপীগী ব্রিন্নর আইদেল ক্লব তেরা বজারনা ওইখ্রে অদুগা অন্দর-১৪ নুপাগী ব্রিন্নরনা ঐচ দব্লিউ সি লংথবালনা ওইখ্রে।

নুপীগী অরোয়বা ৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা ব্রাই সি সি আই সি কোন্থা অহনলুপ অমদি আইদেল ক্লব তেরা বজারনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আইদেল ক্লবনা ব্রাই সি সি আই সিবু গোল ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ব্রিন্নর ওইখিবনি।

মায় পাক্লবা আইদেল ক্লব তেরা বজারগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা গোল ২, অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল ৩ অমদি অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল ১ চনখি। মায়থিরবা ব্রাই সি সি আই সি কোন্থা অহনলূপগী গোলশিং অদুনা অহানবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল অমমম চনখি।

মেটচকী মিনট ৬ চৎপদা আইদেল ক্লবকী জর্সি নম্বর ৪ সিলভিয়া চনুনা ফিল্ড গোলদা মেটচকী অহানবা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

টিমগী অনীশুবা গোল অদুসু ফিল্ড গোলদা জর্সি নম্বর ১০ এস ঐচ তনুনা মিনট ১০ চৎপদা চনখি। অদুগা অহানবা ক্বার্টর অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ১২ চৎপদা ব্রাই সি সি আই সিগী জর্সি নম্বর ৩ এম প্রিয়ানা গোল হন্দোক্তুনা ২-১ দা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা আইদেল ক্লব তেরা বজারনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমখিদ্রবসু ব্রাই সি আই সিগী জর্সি নম্বর ৩ এম প্রিয়ানা মিনট ২০ চৎপদা পঞ্জল মান্নবগী গোল অদু চন্দুনা ২-২ দা লৈন্নখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা আইদেল ক্লব তেরা বজারনা গোল ৩ মখা তানা হাপচিনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ এল রিতুনা মিনট ৩২, জর্সি নম্বর ১২ টি নিহানা মিনট ৩৩ অমদি জর্সি নম্বর ১০ এস ঐচ তনুনা মিনট ৪৪ চৎপদা চনখি।

অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্কা গোল অমমম চনখি। আইদেল ক্লব তেরানা জর্সি নম্বর ৯ এন দিনানা মিনট ৫২ অমদি ব্রাই সি সি আই সিনা জর্সি নম্বর ১৮ আই কুন্দালিনা মিনট ৫৫ চৎপদা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা নুপাগী অরোয়বা ১৩ শুবা মেটচ ওইনা ঐচ দব্লিউ সি লংথবাল অমদি ব্রাই সি সি আই সি কোন্থা অহনলূপনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ঐচ দব্লিউ সিনা ব্রাই সি সি আই সিবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা ব্রিন্নর ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্কা গোল অমমম চন্নখি। গোলশিং অদু ঐচ দব্লিউ সি লংথবালগীনা জর্সি নম্বর ৯ নেলসন সি ঐচনা মিনট ১৩ অমদি ব্রাই সি সি আই সি কোন্থা অহনলূপকীনা থংন্নবা মিনট ১৪ দা জর্সি নম্বর ১০ দব্লিউ রোহিৎনা চনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্কা লম্বা মান্নখিবদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নাদনা লৈখ্রবা মতুং লেমহৌরিবা ক্বার্টর ২ দা লংথবালনা মপাঙ্গল ফুদোরক্তুনা শান্নরকপদগী অহেনবা গোল ২ মখা তানা হাপচিনবা ঙমখি।

গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ কে সঞ্জিৎনা ফিল্ড গোলদা মিনট ৪১ অমদি জর্সি নম্বর ৪ কে বিক্রমনা ফিল্ড গোলদা মিনট ৫৩ চৎপদা চন্দুনা ঐচ দব্লিউ সি লংথবালগী মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জেনরেল সুনিল এলাংবম, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী ত্রেজরর অমসুং মণিপুর হোক্কিগী প্রসিদেন্ট বসুদেব সিংহ, মণিপুর হোক্কিগী লাইফ প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ থোইবা সিংহ অমদি হোক্কি ইনিদয়াগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ঘাইন্দ্রো নিংঙোম্বমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

অমরোমদা মণিপুর হোক্কিনা ঙসিগী টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিন্দ্রিগে মমাংদা হন্নাগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং হোক্কি ইন্দিয়া লীগ বোর্দকী মেম্বর ওইরম্বা অরুন জেটলিনা ঙরাং ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

# তরানিপালশুবা ষ্টেট মিনি বোইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ব্রিন্নর এন ব্রাই ভি এ (বি) নাওরেমনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা টিম ১৮ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ১৮ শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ব্রিন্নর এন ব্রাই ভি এ (বি) নাওরেমনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা ৩৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এন ব্রাই ভি এ (বি) নাওরেম অমদি টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুলনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এন ব্রাই ভি এ (বি) নাওরেমনা টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুলবু ষ্ট্রেদ সেট ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা এন ব্রাইভি এ (বি) নাওরেমনা অহানবা সেটতা পোইন্ট ২৬-২৪, অনীশুবা সেটতা ২৭-২৫ অমদি অহুমশুবা সেটতা পোইন্ট ২৫-২০ স্কোর তৌদুনা ফাইনেল মেটচ অসি মায় পাকখিবনি।

এন ব্রাই ভি এ নাওরেমনা সেমি ফাইনেলদা কে এল ব্রাই জি সি কামোংবু সেট ৩-২ ( ২০-২৫, ২০-২৫, ২৫-১৭, ২৫-২৩, ১৫-৮ ) তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙল্লখিবনি।

অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদা টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুলনা কে এম ব্রাই সি অন্দ্রোবু সেট ৩-১ (২৫-২০, ২৩-২৫, ২৫-১৪, ২৫-১৫) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙল্লকখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদনা এন ব্রাই ভি এ (বি) নাওরেমদা পি আর এস সি পৌরাবীবু সেট ৩-০ অদুগা টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুলনা ব্রাই এম দি ও হৈরাংঙ্গোইথোংবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা ব্রিন্নর টিম এন ব্রাই ভি এ (বি) গী কে অপাবীনা তাখি। বেষ্ট স্পাইকরনা রন্নস অপ টিম টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুলগী থাঙলৈনা তাখি। অদুগা বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেয়র সোওরসু রন্নস অপ টিম টি আর ব্রাই ভি সি না তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা হায়কোর্টকী এভোকেট দেবানন্দা সিংহ, মাকলং গ্রাম পঞ্চয়াদকী প্রধান এল (ও) লৈমাহল দেবী, লফুপাৎ তেরা কোমলাখোং গ্রাম পঞ্চয়াদকী প্রধান এন বসন্তা, থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনামগী প্রিন্সিপল ইন চার্জ ও রাজেন্দ্র সিংহ অমসুং কোলেজ অসিগী এষ্টিটেন্ট প্রোফেসরশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রেবাশিংদা মনা মথুম য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টদা কুম্বী, এম বি, থৌবাল অমদি বিরমঙ্গোল কোলেজ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুণিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি কঞ্চিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ব্রাই কে কোলেজ ব্রাংজিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী টিম ৩৪ না নোক আউট বেসিক্তা শরুক য়াদুনা কোদোমপোকপী গ্রাউন্দা চত্থরকপা এ প্রাতাপ সিংহ নীংশিং মণিপুর য়ুণিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল মেন টুনামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কুম্বী কোলেজ, এম বি কোলেজ, থৌবাল কোলেজ অমদি বিরমঙ্গোল কোলেজ মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা কুম্বী কোলেজ অমদি অসুফু খৃষ্টিয়ান ইষ্ট্রিটিটুদনা শান্নখিবা মেটচতা কুম্বী কোলেজনা অসুফু খৃষ্টিয়ান ইষ্ট্রিটিটুদপু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কুম্বী কোলেজগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৫ শাংচুপপ্রেং অমদি জর্সি নম্বর ১৩ এম ইমান্যুলনা মিনট ২৫ চৎপদা চনখি। অতোপ্পা গোল ২ অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ রেনচুঙম অমদি জর্সি নম্বর ৭ জোস কোমনা মিনট ৬৪ দা চনখি।

মায়থিরবা অসুফু খৃষ্টিয়ান ইষ্ট্রিটিটুদগী গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ১০ লিয়ানগাওনা মিনট ২০ অমদি জর্সি নম্বর ৫ কশাকহিয়োনা মিনট ৫৭ দা চনখিবনি। মেটচ অসিদা কুম্বীগী জর্সি নম্বর ৩ দব্লিউ সুজকান্ত অমসুং অসুফু খৃষ্টিয়ান ইষ্ট্রিটিটুদকী জর্সি নম্বর ১৮ অথিসুদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এম বি কোলেজ অমদি এস ই এম সি ও কোমলাথাবীনা শান্নখিবা মেটচতা এম বি কোলেজনা এস ই এম সি ও কোমলাথাবীবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এম বি কোলেজগী জর্সি নম্বর ৫ এম কে অরাফট, জর্সি নম্বর ১৪ এম দি মিরাস অমসুং এস ই এম সি ও কোমলাথাবীগী জর্সি নম্বর ১২ টি ঐচ য়ুমজাওদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা থৌবাল কোলেজ অমদি এম আই টি তাকয়েলপাৎনা শান্নখিবা মেটচতা থৌবাল কোলেজনা এম আই টি তাকয়েলপাৎপু গোল ৫-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থৌবাল কোলেজগী গোলশিং অদু দব্লিউ মালেমঙানবনা মিনট ৯,৪৭দা গোল ২, এল কুরাজিৎনা মিনট ২০, ২২দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা সোমোরজিৎনা মিনট ৭০ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা এম আই টি তাকয়েলপাৎগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা থাঙমিনলেননা মিনট ৩ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দা বিরমঙ্গোল কোলেজ অমদি মোর্দন কোলেজনা শান্নখিবা মেটচতা বিরমঙ্গোলনা মোর্দন কোলেজপু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা বিরমঙ্গোল কোলেজগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ সুর্জকান্তনা মিনট ১৩, জর্সি নম্বর ৮ জেক্সননা মিনট ২২ অমদি জর্সি নম্বর ১১ বিরজিৎনা মিনট ৩২ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা মোর্দন কোলেজগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ কামগৌহাওনা মিনট ১২ চৎপদা চনখি।

# ব্রাঙ্গোই কেন্দ্র কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাক থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তগী টিম ১৪ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থাংমৈবন্দ লাইজিং ইনিংথৌ শঙলেনদা ৫ শুবা ব্রাইখোম গম্ভিনী লৈমা নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬২ মথক্কী লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ব্রাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ব্রাঙ্গোই কেন্দ্র কাঙখুৎ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামন্টেগী ৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা ব্রাঙ্গোই কেন্দ্রনা শিংজমৈ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৬-১১ দা মায়থিবা পীখি।


মায় পাক্লবা ব্রাঙ্গোই কেন্দ্র কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ /৮ স্কোর তৌখি অদুগা শিংজমৈনা ৪, ৭ স্কোর তৌখি।

# এস এস বি অমদি চেনখু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ সোলদোং য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা চান্দেল খৃষ্ট্রয়ন মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৯ দগী টিম ২১ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা অহানবা সোলদোং য়ুনাইটেদ ৯ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী থা অসিগী ২৪ দা শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এস বি অমদি চেনখু মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

১০ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা এস এস বিনা লুলাম এফ সিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এস এস বিগী গোলশিং অদু লেটব্রিয়োথাং অমদি নেপোলিয়াননা চনখি।

১১ শুবা মেটচতা চেনখুনা ব্লু ষ্টারবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা চেনখুগী গোলশিং অদু টি এস সুরেস অমদি দব্লিউ এল চনানা গোল ২ চনখি।



# এন্সিয়েষ্টা স্পোর্টর্সনা ট্রাউ এফ সিগী টাইতল স্পোন্সর ওইরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদগী আই লীগতা শরুক য়াবা অনীশুবা টিম ওইরিবা টিদিম রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন ( ট্রাউ এফ সি) অহানবা আই লীগ সিজন ২০১৯-২০গী টাইতল স্পোন্সর এন্সিয়েষ্টা স্পোটর্স এলাইন্স প্রাইভেট লিমিটেদনা ওইরগনি। ইং ২০১৭-১৮ দা অহানবা ওইনা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনদা খোঙদবা হৌরকখিবা টিম অসিনা চহী ২ লৈরবা মতুং ২০১৯-২০ দা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগকী চেম্পিয়ন ওইদুনা আই লীগতা শান্নবা হৌগদৌরিবা মরম্না কোলকাটদা বেজ তৌবা এন্সিয়েষ্টা স্পোর্টর্স এলাইন্স প্রাইভেট লিমিটেদনা টিম অসিগী টাইতল স্পোন্সর তৌগদৌরিবা অসিনা ট্রাউ এফ সিনা লীগ অসিগী টাইতলগীদমক লমজেল তানবদা হেন্না মপাঙ্গল হাপ্পগনি।

ট্রাউনা সেকেন্দ দিভিজন শান্নরিঙৈ মতমদা ষ্টেট অসিগী ঐচ ভি এস কনষ্ট্রক্সন, সঙাই এক্সপ্রেসনা স্পোন্সর তৌদুনা লাকখ্রবা মতুং হন্দক্কী সিজন অসিদা তোপ সিম সিমেন্টসু অনৌবা কো- স্পোন্সর ওইরি।

পনবা য়াই মদুদি লাক্কদৌরিবা আই লীগকী সিজন অসি নবেম্বরগী অহানবা চয়োলদগী টিম ১১ না শরুক য়াগনি লোয়ননা টিম অমমমদা ফোরেন প্লেয়র ৬ য়াওগনি অদুগা ৫ না ষ্ট্রার্টিং ১১ দা শান্নগনি।

# ষ্টেটকী সব-জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিমগী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৭ দগী ১২ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ নোঠ ইষ্ট জোন ক্বালিফাইয়িং রাউন্দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা সব-জুনিয়র বোইজকী ফুটবোল্লর ২০ গী মিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা লাওথোক্লে।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা ফুটবোল্লরশিং অদুদি- গোল কিপ্পরদা সেনাপটি এফ সিগী কামপুইনামৈ, সাই আর এফ এগী এল জুলিসন অমদি আর এ এফ এগী কে ঐচ বিশালনি।

দিফেন্দরদা -টি ব্রাই দি এগী এম অবিনাস, টি ঐচ নরেস, সাই আর এফ এগী কামগৌশাং, নেরোকাগী রেন্সিং কোম, আই এফ সিগী কমারয়ারখুই, আর এ এফ এগী এ তোমজোসেপ সিংহ অমদি বি এফ এগী এল গোরোবা সিংহনি।

মিল্ড ফিল্ডরদা- আই ব্রাই এফ সিগী এম নুংশিখোম্বা, বি এফ এগী এল সুজাকান্ত সিংহ, টি ব্রাই দি এগী এন অবুংতোন সিংহ , ও প্রেমচান্দ, বি এফ এগী মোহমদ ইন্দর রাহমন, সাই আর এফ এগী এন সঙ্কর সিংহ অমদি দব্লিউ রাহুলনি।

ফোরব্রাদতা- আর এফ এ বিষ্ণুপুরগী এন ধনরাজ সিংহ, নেরোকা ইম্ফাল ইষ্টকী সি ঐচ অর্ম্মজিৎ সিংহ অমদি এল রোসননি।

হায়রিবা ফুটবোল্লরশিং অসি থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক পুং ৮ তাবদা অর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা খুমন লম্পাকতা লাক্তুনা মেনেজর দি বি কোব্রাল অমদি কোচ এম কে কেদিদ মরিংদা মখা তাবা ট্রেন্নিংগীদমক রিপোর্ট তৌরন্নবা খঙহল্লক্লি।

# মিষ্টর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওকখ্রে



থৌবাল, ওগষ্ট ২৫ ঃ থা অসিগী ১২ দা ওল মণিপুর বোডি বিল্ডিং এসোসিয়েসন অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মিষ্টর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্টেস তা অহুমশুবা মিষ্টর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মেন ফিটনেস টাইতল লৌরকখ্রবা চিঙ্খেঙানবা অথোকপম, অনীশুবা পোজিসন তারকখ্রবা অথোকপম ভিশাল সিংহ অমদি মঙাশুবা মিষ্টর জুনিয়র থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টাইতল লৌরকখ্রবা দব্লিউ সঞ্জোয়বু পূক্নিং থৌগৎতুনা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি অথোকপম ফুরা কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

ফুরা কৈথেল দিভলর্পমেন্ট কম্মিটি অথোকপমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থোগৎপগী থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপূল কাউন্সিল ব্রার্ড নম্বর ৬ কী কাউন্সিলর কে ঐচ বিশ্বরজিৎ, লৈকাইগী অহল এল নরাল,ব্রার্ড নম্বর ৬গী মেম্বর এল নন্দা, ব্রার্ড নম্বর ৭গী মেম্বর এ কুজো অমদি দব্লিউ সঞ্জিৎ লোয়ননা সোসিয়েল ব্রাকর এল প্রেমান্দাসু শরুক য়াদুনা শান্নরোইশিংদ্যু অচম্বা খূদোলপোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# সি এস সি চনুং অমদি পি আর ব্রাই এ খুন্দ্রকপম দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ১০ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা সি এস সি চনুং অমদি পি আর ব্রাই এ খুন্দ্রাকপম গোল ২-২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

সি এস সি চনুংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ গৌলেননা অহানবা হাল্ফকী মিনট ৫ অমদি অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৭৪ দা চনখি। অদুগা পি আর ব্রাই এ খুন্দ্রকপমগী গোলশিং অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৯ দা জর্সি নম্বর ১১ মলেমঙানবা অমদি মিনট ৭২ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ অম্মরজিৎনা চনখি।

মেটচ অসিদা সি এস সি চনুংগী জর্সি নম্বর ১৭ অবুং অমসুং পি আর ব্রাই এগী জর্সি নম্বর ২০ অনোলদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী ১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা অঙথা এফ সি অমদি য়ু এস এ খুরাইনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক গোল ৩-৩ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

অঙথা এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ সুধিরনা মিনট ৩৩, জর্সি নম্বর ২০ সোমোরজিৎনা মিনট ৬০ অমদি জর্সি নম্বর ১৭ অরুনা মিনট ৭৫ চৎপদা চনখি। অদুগা য়ু এস এগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ বোবি নিংতৌজানা মিনট ২১ অমদি জর্সি নম্বর ৮ থপানা মিনট ৩৮ অমদি ৪৮ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা অঙথা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১ সোমেন্দ্রো অমদি জর্সি নম্বর ১৪ ব্রাই বিপিনদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

থা অসিগী ২৪ দা শান্নখিবা মেটচশিংদা নিভসোনা য়ু পি এস এবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা ই এস য়ুনা এস এস সি পোরোম্পাৎপু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

# কিশোকুমার নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা ১৭ শুবা কিশোকুমার নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা পুলিস হাওসিং কোওপরেসনগী এজুকেটিপ ইঞ্জিনর ব্রাই নিলাচন্দ্র সিংহ অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিং প্রসিদেন্ট ব্রাই মঙ্গোলজাউ সিংহনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

লীগ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা এল ব্রাই এ ব্রাঙূ অমদি এ কে এস এ ককচিং খূনৌনা শান্নখিবা মেটচ গোল ৩-৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

এল ব্রাই এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এ রোনরনা মিনট ২২, জর্সি নম্বর ৮ ঐচ অম্মজিৎনা মিনট ৩৭ অমদি জর্সি নম্বর ২ এল ইবোচৌবনা মিনট ৪২ চৎপদা চনখি। এ কে এস এগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ এস মাইকেলনা মিনট ৪৫ , জর্সি নম্বর ১৯ এন চিনতমনা মিনট ৫৬ অমদি এল ব্রাই এগী জর্সি নম্বর ১৫ এস সুরেসনা আউল গোল ওইনা মিনট ৬১ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা এল ব্রাই এগী জর্সি নম্বর ১৫ সিবনন্দা অমদি এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ৩ জয়চন্দ্রদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা এ দব্লিউ সি ব্রাইখোং অমদি এ আই এফ এ ইরেংবমনা শান্নখিবা মেটচতা এস দব্লিউ সিনা এ আই এফ এবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস দব্লিউ সি ব্রাইখোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ দব্লিউ তেজকুমারনা মিনট ১২, জর্সি নম্বর ১৭ এম সুরজনা মিনট ২৯ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ সলিঙানবানা মিনট ৪০ প্লস ৩ দা চনখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা দি ব্রাই এ এলাংখাঙপোকপী অমদি এস আর দি সি ককচিংগা শান্নগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*